নহাশিংগী অখন্নবা ৱাখল : - নহা ফাল

পুন্সি হায়বসি খ্বাইদগী লুবা চংশুংনি। ঐখোয় খুদিংমক্কী চংশুং ৱাহং মান্নদে হায়বসি খঙদবনা মী কয়া'মনা অতোপ্পদগী শিনগে হোৎনরুবদগী মায়থীখি। - বুধজ টিটিং এন্দ সাইন্স

ফুট তরুক (৬) লাপ্নখিসি

হাংদোকপীরমদ্রবা লেটর বোক্স মনুংদুদা অদুমক লেন্বগী চিঠিদো লৈহৌরে। লেন্বগী মরাইবক অসিসু ওন্থোকপনি, মীওইবগী লাইবক্তা থিনা তমখ্রবদি উপায় অমদি ইরৈ লৈবজাৎ নত্ত্রে। নুংথিলগী মতমনি রোনি খোইগী থংনবগী য়ুমদুদা লাকপনি হায়বা জিপ অমা মনিং হন্দোক-হঞ্জিন তৌনবদা শোয়বদগী রোনি হোয়গী গেট তম্না থৌজিল্লক্তুনা থোমজিনখ্রে। মপা চাবা হায়গদ্রা চাদবা হায়গদ্রা লেটর বোক্স অদুদা থোমজিনখ্রে...। রোনিদি মহাক্কী কাদা কোলেজকী ওনলাইন ক্লাস কন্না য়াওরিঙৈ করিসু খঙহৌদ্রে। মপাবুংনা গাড়ি মপুগা ৱা খরা ঙাঙনরবা মতুং লেটর বোক্সতু গাড়ি মপুদুনা কোপলিবদু শেল্লগা নৎত্রগা অহনবা অমা শোয়দনা শীংজরগে হায়দুনা পুদুনা চৎখ্রে...। মনুংদা করি য়াওরিবা কনানসু হাংদোক্তুনা য়েংহৌদ্রে। রোনিসু নুমীদাংদা মৌপ্পানিপা অবুংনা পাউ তম্বদগী পাউ তারে। গাড়িবু অদুম্না থৌনরদি মীগা লৈরম্লদি শীরোইদ্রা খনবা নৎতনা করিসু খল্লুবা তৌদে, তশেংনা লেন্বদি মহাক কাউখ্রে, রোজিনসু লেন্বনা য়েৎলরোই হায়রক্লে হায়বা পাউ মেসেজ থারকখ্রবনি। নুমীদাংগী মতম ওইরক্লে লেন্বা মশাদু চাফম থকফম খঙদবনে, মানা তৌগদৌরিবা থবকশিং অদুগী লাংতক্লবনে, তুমদবনে, মশা ইচোক চোকথবদি ফাওরবনি অদুবু মহাক ঙসিসু অহীংগী পুং তরানিথোই তাবা ঙাইনা খিং-খিং লাউনা লৈরি...। পুং ১০ খরা হেল্লে থোইবি নোক্লকই...। কা থংনবনিনা থোইবিনা তুমদ্রবদি মহাক থোকখিনবা হোৎনবদা হেন্না ৱাগদৌরিবনি, করিনো হৌজিকপু নোক্তুনা লৈরিবসিবু থোইবি-থোইবি নঙবু তুমদ্রিবো, হয়েংনা য়াহৌদু থেঙনি। ইমাগা খৎনরক্কনি ইবেমা ঙসিদিকো ঐদিনে, তুমো কৈদৌরগে, লেন্বনা মচননুপীবু তুম্নবা হায়রম্মী...। হোয়বা অস... হমম...লাইরিক সুম পাদুনা লৈদু তন্দ্রো কোক তুম্বা য়াদ্রোবা হমমম ফিল্ম ঙাইহাক য়েংবসিদা য়াম য়েৎলে... তুমদা তুমগে ঐ ... মদুগী মতুংদা থোইবিদু তুমখিবদি মাল্লি মখোন-মৱা তাখিদ্রে। মানা তুমদ্রবদি অদুম খঙবনি য়া-য়া, ৱা-ৱানি, পুং বারো তাশিলক্কদৌরে, থোইবিসিবু তুল্লমলদ্রা ঙরাংসু খঙখিবনি অমুক্তা কৌরগা য়েংশিরা খল্লি কৌবমক্তি কৌররোই খল্লগা অহম-অহম হায়না খনাউ তেংশিন্নে। তাদ্রে কনাসু করিসু হায়রক্ত্রে। লেন্বা ঙসিদি নম্বো খাউ অমদা ফিরোল খরসু হাপ্তুনা য়োমশিনবা হোৎনৈ। ৱাটসএপ হাংদোক্তুনা ঙরাংগী ভিদিও অদু য়ৌখ্রব্রা য়েংলুই, টিক অমখক খোৎতুনা অদুমক লৈরি, রোজিগী চেটতা চঙদুনা ফোর্ৱাদ মেসেজ অদু অমুক পায়... মেসেজ অদুদা লেন্বনা তৌগদবা থবক্তি লিষ্ট অমা থারকপদুনি মানা পারিবা, নীনি চনবা নুমীৎকী থবকনি ঙসি লেন্বনা তৌগদৌরিবা ... অহীংগী মতম ওইবনিনা খরসু ইংই, ফিরোল অথাবা অমা-অনী য়োমশিন্দুনা হাপখ্রে। য়ুমদগী থোক্কদবগী ফীভম মমাংগী নুমীৎকুম মাংজৌননা পূন্নমক শেম শারম্লবনি। লেন্বা ময়ুমগী থোঙান্দগী ঙসিসু মিটর ১০০ রোমদি মহাক্কী বাইকতু অদুমক মখোংনা ইন্দুনা চৎকে হায়না অদুমক চৎলি...। চৎন-চৎনা ৱাখলদা লেন্বনা খল্লি নুংশিবনা ঙাওবা হায়বসিসু অঙাওবনিকো, ঐ ঙাওরে হায়বসে ঐসু খঙই অদুবু ঐ লায়েংবা চৎলিবনি... মালেমগী ফাওরবা দোক্টর কয়াদুনা ঐবু লায়েংলবসু ফংগদবা নত্তে, ঐনা তৌরিবশিং অসিনা লোইরকপা মীৎকুপ্তা ঐগীসু তংতাবা অমদি খঙলগনিদা ...। রোনি নঙবু করি থম্মোয় পানবনো? নঙনা হায়দোক্তবনরা ঐনা থিজবা-খঙজবদি নহাক্কী খঙনবা কনাসু লৈতে অদুগা নঙনা ঐবুসু নুংশিবা মচেৎ অমা ফাওবা ফাউবিদে। অদুগা অমুক ঐবু অঙাওবগুমসু ওইহনবিরি ... ঐনা তৌজরিবা পুন্বসে মহাক্না খঙবিদ্রগনা করি কান্নরিবনো? পীরক্লিবা নম্বর অচুম্বরা হায়বসু খঙদ্রি ...। অদুবু ঐহাক্না পাঙথোক্লিবা খুদিংমক ঐ মঙোন্দা য়ৌহনগনি ... ইশ্বরদি পুন্নমক উরিবনি রোনি, নঙগিসু-ঐগীসু ঐখোয় পুন্নমক্কী ইশ্বরদি অমত্তনি। ঐ নঙবু মীনম্বা, নঙনা ঐবু মীনম্বা ইশ্বরনা অচুম-অরান অদুমক ৱায়েনবিগনিকো... ৱাখলশিংসে খন্না-খন্না লাকপদা মহাক খঙচোক চোকথরক্লে... ওহ ঐদি গাড়িসে শুকথৌ থৌরমদ্রেনা খোংনা সুম ইন্দুনা চৎলম্লে। ফনা শাংনা চৎলে রোনি হোয় য়ৌগদবা ইৱাৎপু ৱাৎলম্লরোই... গাড়ি ষ্টার্ট তৌরে লেন্বা তপ্লপ হেলমেট উপশিন্দুনা রোনিগী থোঙাল তম্না থৌখ্রে ... রোনিগী থোঙাল য়ৌরে ... রোনিগী কা অদু মৈ থানবা উই, লেন্বনা মপুকনিংদা রোনিসে ঙসি অহীং ঐ লাক্কনি খঙবজাৎলা মহাকপু তুমদ্রিবজাৎলা ... খুদাং ঘড়ি অদু য়েংলুবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ খরা হেল্লম্লে... অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঐ থুনমক ঐগী তৌগদবা তৌরগে খন্না রোনি হোয়গী থৌঙালগী পুখ্রি তম্না চঙশিল্লে, পুখ্রি মপান্দা মহাক্কী নম্বো খাউ অদু থল্লে, হান্নগুম মহাক্কী মোবাইল লৌথোক্তুনা ভিদিও রেকোর্দিং তৌনবগীদমক শেম শারে ...

রোনি নোভেল অমা পানা-পানা মহাক্কী টেবলদা ফল্লি, কনাগুম্বা নুপা অমনা থোঙান্দা কৌরকপগুম তোই ... রোনিনা হমম অহীংনি নোংয়াই মতুংনি হৌজিকপু কনানা কৌরক্কদৌরিবা ... ফক্লাং ঘড়িদু য়েংই নোংয়াই মতুংনি, ৱাখল খল্লিঙৈ অমুকসু রোনি অমুক্তা থোকপীরকও ঐগী পুন্সিবু কল্লো হায়না লাউরক্লে ... রোনি চমন্নরে থোকসি কদাই থোক্কুমসি কদাই ... কনাগী খোঞ্জেলনো হায়বসু খঙবা ঙমদ্রে। থোংনাউ হাংদোক্তুনা য়েংই করিসু উদে কনাসু উদে ইচিক চিকই ... করিনো ঙসিসিবু ঐবু মঙলা-তাইবঙলা ... মীহুন দং-দং চোংলে লৱাই লুতোন শাৎপা অমদি ফাওখ্রে ... অমুক্কসু হন্না কৌরক্লে রোনি-রোনি ঐনে ঐগী খোঞ্জেল খঙদ্রবো হায়না নমকৌ কৌরকই ...। কীজবনসু লোইরে রোনি মশা অদু থক-থক নিক্লে অদুবু থিন্থবা তৌদনা রোনি টোর্চ লাইট অমা মখুৎতা পায়রগা কাগী থোং হাংদোক্তুনা অমুক্তংদি থোক্লুরগে খল্লক্লে ... মহাক্কী কাদা শেম চাবগী থম্বা থাং মচাদুমসু চেৎনা পায়শিল্লে ... থোং হাংদোক্তুনা থোক্লগে লেপ্লে ... থোংগী হেন্দল পায়দুনা হেক হাংদোক্লুবগা নুপা অমা মফি-মরোল পুমচোৎ চোৎলদুনা লেপ্তুনা লৈরম্মী, রোনিনা নুপাদুগী চোৎলবা মায়থোংদু কনানো মশক লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ, মহাক্কী মখুদাং তাপ লাউনা পায়রকই ... (মথং-মথং) ❐ **থোকচোম রবিচন্দ্র**

মশক থোকপা থবক তৌরমদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্তুনা পোকপগী মহয় য়ালহল্লমসি

নোককফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

সাগর সোরেনশংবম, ফাওগৎলক্লিবা এক্টর

অপিক-অপিকপা উফুল মরিক্না চাউরবা চীঙজাও অমা শেন্মী, পিক্ল-পিক্লবা লাইজ ইরিক্না অচৌবা সমুদ্র অমা ওই হায়নরম্বা ইপা-ইপুগী ফজরবা ৱাহৈশিং ঙসিসু অদুমক মতিক-ময়াই লৈরি। মালেম অসিনা হেক লৈরিঙৈসু অদুমক লৈহৌরগনি। মালেমগী ফাওরবা শক্লাইরবা মীওই কয়াগী পুন্সিদসু য়াম্না ৱানা হৌরকপগা লোয়নন অপীক-অপীকপা থবক কয়া তৌদুনা অফাওবা শক্লাইরবা মী ওইরকপা কয়া অমসু য়াওখিদবা নত্তে। ফিল্মগী লম্বীদসু অচৌবা ফাওরবা সুপরষ্টার কয়াগী মতুংদা জুনিয়র আর্টিষ্ট অমা ওইনা দান্স তৌদুনা লাকখিবা এক্টর কয়া মশাগী হোৎনজমন অমদি টেলেন্টনা মশক নাইরবা সুপরষ্টার এক্টর ওইরকখিবগী ৱারী কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। এক্টর কয়া অমসু জুনিয়র এক্টর ওইরম্বদগী লৈবাক মীয়াম্না শক খঙনরকপা হৌরকপা কয়া অমসু লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা লমদম অসিগী য়াম্না নহা ওইরিবা সাগর সোরেনশংবমসু অমনি।

সাগরগী ফিল্মগী করিয়র হৌরকপা মতমদা জুনিয়র আর্টিষ্ট (বেকগ্রাউন্দ দান্সর) অমা ওইনা এক্টরশিংগী তুংদা দান্স তৌবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা হৌরকখি। ওজা আমিরগী লুচিং মখাদা শেন্বা গ্রুপ দান্সরগী শরুক অমা ওইদুনা বেকগ্রাউন্দ দান্সর অমা ওইনা ম্যুজিক ভিদিও অমদি ফিল্ম কয়াদা শরুক য়ারকখি। অদুবু মহাক্কী টেলেন্ট অমদি হোৎনবা কনবা মতৌদগী ম্যুজিক ভিদিও এলবম অমদি ফিল্মদা লিদিং রোল লৌদুনা এক্ট তৌবা ঙম্লকখি। সাগর কোংবা উচেক্কোন খুনৌদা লৈবা সোরেনশংবম চিংখৈ অমদি সোরেনশংবম ওংবি গম্ভিনিগী মচা ৫ গী মনুংদা অহুমশুবা মচানি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা সাগরসু অদুমক জগোই-ঈশৈ, স্পোর্টস, ফেন্সি দ্রেস পাম্না হৌরকখিবগা লোয়নন শরুক য়াদুনা লাকখি। এক্টিংগী মতাংদা লৈখিদ্রবা ওজা বিষ্ণুদা ট্রেনিং তৌরকখি। মদুগী মখা তারকপদা লাংথবালদা লৈবা ওজা জিৎতসু তম্লকখি। লৈকায়গী ময়াম্বা কংলা প্রেম হায়রিবা মীওই অসিনা মহাকপু লম্ অসিদা পুথোকপীবা হৌরকখি। লোয়নন মখা তারকপদা ওকেন অমাকচমগী মীৎয়েং মখাদা মতম শাংনা চহী ৫মুক থিয়টর তৌদুনা লাকখি।

কৃষ্ণকুমার গুরুময়ুমনা লমজিং লমতাকপীরকপগী মপাননা ঙসি মীয়াম্না খজিক্তং ওইরবসু শক খঙবিদুনা লম্ অসিদা চৎতুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংলখি। কুমজা ২০১২দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা মেন ফিটতা বেষ্ট মোদেলগী টাইটল লৌখি। মহাক্কী গ্রুপ অদুনসু গ্রুপ ৱিনরসু ওইবা ঙমখি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকপা ফিচর এক্টরদসু ৱিনর ওইখি। 'ঐবু হিংখোরা, ঐবু শিখোরা' হায়বা ম্যুজিক ভিদিও এলবমদা সাগরবু মীয়াম্না মশক খঙলকখিবা হায়বদু ওইখি। 'ঐবু হিংখোরা, ঐবু শিখোরা; উৎনিংবা মায়থোংনি; লোৎচগে শম্লাংলক্তা; মীৎকুপসীগিদমক্লা শাগৎলুবা; কুৎ হেক্তা য়োৎনিংই; কারনি-কারনি অমদি পাখঙ মচা ফাগৎলকপা' নচিংবা ম্যুজিক ভিদিও এলবম ২৭ অমদি 'নিংথিবা নোংলিক; ঐবু হিংখোরা, ঐবু শিখোরা; ঈরৈ; অয়েকপা লাই অমদি মম্লসনু তাইবঙপাল' হায়বনচিংবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ৫ মুক্তা শরুক য়াখ্রে। সাগরগী মখা তারকপা পুন্সিনা লোইদ্রিবা ফাওবা আর্ট এন্দ কলচরগী লম্ অসিদা চঙশিন্দুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা পাম্লি।

ঙসি সাগরবু মীয়াম্না খরা খজিক্তং ওইরবসু শক খঙবিরকপা হৌরকপা ফাওবগী লম্বী অসিদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমসু থেংনখি। য়ুমগী লৈত-লায়রবগী চৈথেং কয়া অমসু ফংখি। ট্রেনিং তৌবা চৎপা মতমদা গাড়ি অতোংমল পীনবগীদমক অপোকপী মমানা চেঙ ফাওবা তাইথোক্তুনা অমদি য়ুমদা কোকপা য়েরুম ফাওবা য়োন্দুনা মচানা পাল্লিবা লম্বী অদু য়ৌনবা হোৎনরকখি। ৱানা হোৎনজরিবা অদুবু উবিদনা অতোপ্পা মীওইশিংনা করিসু ওইরোইদবদা ফাওবা হায়নবিখিবা য়াওখি। অদুবু কায়নথংদা ফিচর এক্টরগী টাইটল লৌরকখিবা মতমদা মীয়াম্না হরাউ তয়াম্না ওকপীখি। মীয়াম্না ওইরোই হায়নবিরম্লবসু ফিচর এক্টরগী টাইটল লৌরকপা মতমদদি মনা পীদুনা লৈকায় মীয়াম্না তারম্না ওকপিখিবা মীৎকুপ অদু পুন্সিগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইবা নুমীৎ হায়বদু সাগরগী ওইখি। চৎকদবা লম্বী য়াম্না ৱাৎলি। হোৎনগদবসু য়াম্না ৱাৎলি। ঙসি মীয়াম্না খজিক শক খঙবিরকপা অসিগী ক্রেদিট অসি কৃষ্ণকুমার গুরুময়ুমদা পীনিংই। লোয়নন অপোকপা-অপোকপী, ইমুং-মনুং, লৈকায় অমদি মণিপুরগী মীয়ামদা পীনিংই হায়নসু সাগরনা ফোঙদোরক্লি।

পিকখ্রবা লমদম অসিদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে। আর্ট তৌরিবা মীওইশিং লৈত-লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপনা অয়াম্বা ওই। অদুবু লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু মালেমদা শক্তাক্লবা হোৎনবদা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংদগী হৌরকখিবা আর্টিষ্টশিংনসু ওইরি। লমদম অসিদা ঙসিসু হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা আর্টকী লম্দা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা আর্টকী মতিক চাবা তম্ফম অমা হায়বদু লৈত্রি। আর্টপু পামজবা নহা কয়া অদুমক লমখাংদা থাদোক্তুনা চৎখিবা নহা কয়া অমসু লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগী খনবিদুনা লমদম অসিগী ফজরবা আর্টপু য়োকখৎপদা অচৌবা মতেং অমা ওইনবগীদমক মতিক চাবা আর্টকী তম্ফমশিং শেমগৎহন্নিংই। লোয়নন হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু মীওইবগী তেনখ্রবা মতম অসিবু মপুং ফানা ফজবা মওংদা শীজিন্নদুনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনহন্নিংই। হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী মশক থোকপা করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্লবদি পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়নরিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী নুংশিজরবা মরুপ মপাংশিংনা অমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নহন্নিংদে। ঙাওখিবা ৱা ঙাকপা অমদি অতোপ্পা মীওইদা পীখিবা কম্মিটমেন্ট মপুং ফানা পাঙথোকপনা ফীদমনিংঙাইবা ওইবা মীশক অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি লোয়নন মতমবু মশক খঙনা হৌরক্লিবা নহাশিং অমদি মরুপ মপাংশিংনসু চৎহন্নিংই হায়নসু সাগর সোরেনশংবমনা মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

নুংশিৎ কাম্বী কোরোনা

য়েংঙু য়েংঙু তূ তূ আদৈসে
করিনো পাইরিসে কোয়না
অমদগী অমদা অমদগী অমদা
শোমদা অমুক অশোমদা অমুক ?
"হাই-হাই অঙাংশা কোরোনানি।"

"অফাবনি অফাবা অফং অফংবা
ফারগা য়োৎপনি কুৎ হেক্তা -।"
"চেল্লো চেনশি থৱায় হিংনবা
কিজৈয়ে কিজৈয়ে য়াম্না কিজৈয়ে।"

কিজবসু মহানি য়েংনিংবসু মতাম'মা
"করিগীনো চেল্লিবা মথোং মরম খঙদনা?"
"তূ তূ পনখ্রে শনৈবী ৱারক্তা"
"য়েংঙু য়েংঙু অসিগী ওইরে
হাৎকে কোরোনা য়েংঙু চেনগনু।"

মহৈ হৈরে নাপল কারিসে
"হাই নহা নপা হনবা
শিদুনা তোকচনি তিংকম লাইকম।"

শাই তিঞ্খংদুগা কাখ্রে ৱাথক্তা
পায়রদুনা মখুৎনা পুথরক্লে মখাদা
মখুৎ ওইনা নমশিল্লে লৈমায়দা
কিনৈ ময়াম নীক্লে থক-থক
উরক ৱারক্তা লৈকুৎ লৈরাইদা
মঙক থাঙ্গৎ কিনা য়েংনৈ।
শাই তিঞ্খংদুনা থিল্লি মবুক্তা
নুংশিৎ তাখি পেৎথখি লৈমায়দা
"কোরোনানি কোরোনা
নুংশিৎ কাম্বী !"

- *কুবের কৈশাম*

খুমনীংদ্রবা ৱাহং

চমন্নরে ঙসিসে
লংজিন মাঙখ্রে পুৱারী
লালহল্লসিরা মসিবু
পিক্লবা তম্পাক ময়োন্দা
খুন্দারম্মী শলাই তরেৎ,
তম্পাক ময়োনবু কোল্লিবা
চীঙশাং পরেংশিংদা
চীঙগী ফুরুপচা কয়ানি
লৈমিন্নরকই নুংশি চান্না
চীঙমি তম্মী পুল্লপনা
ঙাকলকই নুংশিরবী ইরমদম
লিশাংশিংনা য়েলহৌঙৈদগী।
হৌজিক্লা করি ওইরবা?
অশেন্বা ৱারীগী ওইদবা ৱাহং
থৌদোক অমা ৱাথোক কয়া
ঙাঙবদা তাদ্রে লান্না চৎখ্রে
ময়াই চমখ্রে অচুম্বা পাউখুমগী।
পনখৈ লাল্লে খাঙবদা ৱারে
তানিংদ্রে ওইদবা ৱাহৈশিং
ঙাঙলনু হঞ্জিন-হঞ্জিন
কৌরক্লনু জুন ১৮
২০০১গী জুন ১৮ দো।

- *সৌগাইজম লৈঙাকলেন্বী*

মোমোন্নরে মহৌশা

শনম পোকপী নোংহৌরে
লাক্লে য়ৌরক্লে কুমগী নোং,
লায়না লাইচৎকী চৈথেঙ নং,
অশি-অনাগী মীকপ মীরাউখোল্লক,
তেংথা নাউওইগুম লাউ খোং,
ঈরা ঈহৌরক্লে মহৌশা লাইরেম্বী,
শিন্থরক্লে, নোংজু ওইনা ইঙাগী।

ঈং তপ্লবী মালেম লৈমা, মোমোন্নরে,
ঈমাই চোল্লে পাৎ তুরেল পুখ্রি খোংবাল।
মথোই কারে উপাল ৱাপাল,
ঙান-থেংনা অমগা-অমগা,
মরাঙ হৌরে হৈরাং লৈরাং।

লায়র চুদৎনবা লৌমি-শিন্মি,
মকা লাল্লে পূক্লিং ৱাখল,
মমি শামলুরবা পুন্সি খোঙচৎ,
ঈহুল তম্লক্লে অনৌবা মঙলান,
ইনোৎ হাপ্লক্লে নোংজুসিনা অহোইননা।

অহোংবা পুন্সি অমগীদমক,
শিনি-নানি খন্দা,
লাঙ্গোল লেংদা থোং,
পোপ্পু শমপোৎ মাঙদা থা
খোঙকাপ ৱাইরক্লে, পাঙ্গল্লবা লৌমী,
চীঙজিন খারি লৌবুক তম,
তাইবঙ শিন্থা পাঙলরে।

মহৌশা লাইরেম্বী মথানুং,
লৌরাং শুরি খুলগী নহা-অহল,
লৈখোম লৈনাঙ নাচুংদা।
ইঙা নোংলিক তানয়ৈদা,
অর তি তি শৈশক্লা অচিকপবু য়াকায়,
নীনখ্রে লৌবুক লমজাউ।
তন্না হোংলক্লে শঙলেন ফিজোল।

মালঙগী শাহুমদা অশঙবা ফৌনা,
লেং লেং চৎ, মনীঙ তন্লি,
চেক্লাশিংনা নেম-নেম
চাকতারি, হরাউ তয়াম্না।
উথুম্নসু তানয়ৈরি, তুম-তুম,
ঈচেলনসু শৈশক্লি ত্রোং-ত্রোং
শৈখুম্লি লেঙ্গ্লৈনা চ্রিক-চ্রিক।

ঙাইরিবনি ইখৌলাংনা,
পোইনু খারি লৌবুক্লা,
সনা ফিগে খুদোনলবা,
সনা ফৌনা মরোং জুম-জুম।
থাঙ্গোল জাগোয় শানা-শানা
ফৌবি চৈরোং তাম্থাদা
হুমাই জগোয়সু শারনি,
নিল্লরনি খুলঙ ঈশৈনা
চীঙয়া তময়া শিন্না।

মোমোন্নরনি মহৌশা লাইরেম্বী,
কাউনরনি অৱা কোঙ্গাই,
পাঙ্গল্লবা লৌমী শিন্মি।
অদুবু,
মরৌ লৈবি মেরা থা,
নঙনা তাইবঙবু ৱাহল্লে,
নতিক নয়াই লোৎশিন্দুনা,
কপহল্লে লৌমী লায়রবা,
কোভিদকী লানলকশিদা,
তাইনশিরা নোংদম্বদা...!

- *শ্যামা তোংব্রম*

ꯔꯤꯁꯣꯅꯦꯟꯁ
Resonance®
Educating for better tomorrow
ADMISSION OPEN NOW
Live-Video Learning Programmes
- Live Classes
- Assignments
- Periodic Tests
- Doubt Solving Sessions
- Live Recorded Lectures

Courses:
- 2-Years Integrated Course for Class XI
- 1-Year Course for NEET/JEE
- 45-days Special Crash Course for NEET 2021 from June 15th, 2021

Satarting first week of June 2021
Hurry Up!
We have limited seats
9402979552 / 8794961535
NachomEdu Foundation
3rd Floor, SI and Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal West-1
HL/P/9004/3-12

লৌশিং পুক্কে

ব্লেক ফঙ্গস অমসুং কোভিদ-১৯

তারিবা পাউশিংগী মরক্তা অরানবনা করিনো অচুম্বনা করিনো-১



ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা 'ব্লেক ফঙ্গস' হায়রগনা হেন্না খঙনবা ম্যুকোরমাইকোসিস কৌবা মীশি মীনা থোকহনবা ঙম্বা তমথিরবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমগী কেসশিং থেংনবগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। ইনফেক্সন অসি মীদিয়ানা উৎলিবা অদুগা চপ মান্নন তমথিবা ওই। ইনফেক্সন অসিগী হৌরকফম অমদি লায়েংগী মতাংদা তোকঙা কয়ামরুম অমসু সোসল মীদিয়াদা শন্দোক্লি।

মীওইবগী হকচাং অসি ওর্দর ম্যুকোরেলগী মনুং চনবা ফঙ্গাইগী মহৌশাগী ওইবা হেবিটেদতি নত্তে। ম্যুকোরেলগী ওর্দর অসিদা মহৌশানা লৈবাক, উফুল, পথ্ব-পুমথরবা মনা-মশিং, অমদি শাগী অমাংবদা ফংগনবা ফঙ্গাই স্পিসিসশিং য়াওই।

ঐখোয়গী হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম অসি মহৌশানা ফঙ্গাইদগী হেন্না কনবা হেল্লি, অদুবু দাইবিটিস, কোভিদ-১৯ অমসুং ষ্টেরোইদ ট্রিটমেন্ট হায়রিবা পোৎশক অহুম অসিনা পারগা মীওই অমগী ইম্যুনিটিবু মাইক্রোওর্গানিজমশিং অসিনা য়াম্না লায়না লান্দাদুনা চঙবা ঙমহন্নবগী চাং য়ৌনা শোন্থহল্লি।

দাইবিটিসনা মীওই অমদা সিভ্রির কোভিদ-১৯গী রিস্ক হেনগৎহনবতা নত্তনা ফঙ্গেল ইনফেক্সনশিংনা মকা ফন্না হিংবা ঙমগদবা কন্দিসনশিংসু লৈহল্লি। মসিদা অমুক কোভিদ-১৯ অমসুং ষ্টেরোইদ দেক্সামিথাসোন (ইন্টেন্সিব ক্যের দোক্টরশিংনা লায়েংবদা শীজিন্নবা) অনীমক অসিনা ইম্যুনিটিবু শোন্থহন্দুনা হায়রিবা ফিভম অদু অমুক্কা হেন্না শোকচিনহল্লি।

মসিদগী নারক্লিবা ইনফেক্সন (ম্যুকোরমাইকোসিস নৎত্রগা জাইগোমাইকোসিস হায়না খঙনবা) অদু নাতোন অমসুং সাইনসতগী মায়দা, চুবাদা, মীৎতা অমদি ব্রেনদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকই।

মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী (চাইনা থাদনা) দাইবিটিস নাবা মীগী মশিং খ্বাইদগী লৈবা ইন্দিয়াদা মে ২৬, ২০২১দা ম্যুকোরমাইকোসিসকী কনফার্ম তৌরবা কেস ১১,৭১৭ শুখ্রে।

কোরোনাগী পেন্দমিক অসি লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ফাওবা ম্যুকোরমাইকোসিস নাবগী চাং অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী অপুনবা মশিংদগী ইন্দিয়াদা নাবনা শরুক ৭০ ৱাংবা হেল্লম্বা য়াই হায়রিবনি।

ফঙ্গস অসিনা ঈগী ঈচেলবু থিংজিল্লি, মসিনা ইনফেক্টেট টিস্যুশিংবু হাৎতোকই, অমদি অসুম্না শিরবা (নেক্রোটিক) টিস্যুশিং অদুনা মীওই অদুগী উনশাদা অমুবা মচু ওল্লকই, মদু ফঙ্গস অদুনা নত্তে। অমুবা মচু অসি ফঙ্গস মশা অদুনা থোকহনবা নৎত্রগসু 'ব্লেক ফঙ্গস' হায়বা টার্ম অসিদি অদুম্মক পক্তুনা লৈবগুম তৌরে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরদা মেদিকেল মাইকোলোজিগী প্রোফেসর অমা ওইরিবা প্রো. মালকোম রিচার্দসনন 'ব্লেক ফঙ্গস' হায়রিবা মমিং অসি 'শুকচা চান্নদে' হায়না ফোঙদোক্লি। 'ম্যুকোরমাইকোসিসকী এজেন্টশিং (খুদম ওইনা রিজোপস ওরিজে) শিং অসি ট্রান্সপরেন্ট ওই' হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

মহাক্না হায়, মাইকোলোজিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবদা 'ব্লেক ফঙ্গস' (নৎত্রগা 'ব্লেক য়িষ্ট') অসিদি দিমাতিয়াসিয়স হায়রিবা ফঙ্গাই অদুদখক শীজিন্নৈ। হায়রিবা ফঙ্গাই অসিগী সেল ৱালশিংদা মেলানিন য়াওই। ত্বিট্টরদা মীওই কয়ানা অশোয়বা অসিবু চুমথোক্লবা হোৎনখ্রে অদুবু কান্নবদি ফংদ্রি।

ইন্দিয়াদা লৈবা মীদিয়ানসু হায়রিবা অশোয়বা টার্ম অসিমক শীজিন্ননরি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

মোর্টেলিটি রেট (শিবগী চাং)– এন্টিফঙ্গেল মেদিকেসন অমা শীজিন্নদুনা খুদক্তা লায়েংহৌদ্রবা অমদি শোক্লবা টিস্যুশিং অদুবু লৌথোক্লবা সর্জরি তৌহৌদ্রবদি ম্যুকোরমাইকোসিস অসি মী শিগল্লি।

পেন্দমিক অসি লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদা সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না রিপোর্ট তৌবগী মতুংইন্না ওভরওল মোর্টেলিটি রেট অসি ৫৪% নি হায়রি।

সাইন্টিফিক লিটরেচরদা পব্লিস তৌখিবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা কেস খুদিংমক্কী মতাংদা চৎখিবা ২০২১গী সিষ্টেমেটিক রিভিয়ু অমদা কেস মশিং ১০১ থেংনখি। মদুগী মনুংদা ৮২না ইন্দিয়াদগী ওইরগা ১৯না মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদগীনি। হায়রিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ৩১% শিখি হায়রি।

ডা. অৱাধেশ কুমার সিংহ অমসুং মহাক্কী কো-ওথরশিংনা রিপোর্ট তৌখিবদা হায়রিবা কেস পুম্নমক অদুগী ৬০%দি সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সন এক্টিভ ওইনা নারিঙৈ মনুংদা নাবনি অদুগা ৪০% অমনা রিকোভরি মতুংদা নাবনি হায়রি।

অপুনবগী ওইনা পেসেন্টশিংগী ৮০%দি দাইবিটিস নাই, অদুগা ৭৬% না কোর্তিকোষ্টেরোইদশিং শীজিন্নদুনা লায়েংখিবা পেসেন্টশিংনি হায়রি।